ꯁꯅꯥꯂꯩꯕꯥꯛ সনালৈবাক
Imphal, Monday, March 23, 2026

*৩শুবা য়ুনাক্কো কপ ২০২৬:*

# মৈরা বাশিখোংনা সেয়ো শিংজমৈ মায়থিবা পীখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ২২ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর হোক্কীগী মীৎয়েং মখাদা য়ুনাক্কো স্কুলসনা শীন্দুনা ইম্ফাল ইষ্টকী শিংজমৈ ৱাংমা ক্ষেত্রি লৈকাইদা লৈবা সেয়োগী হোক্কী গ্রাউন্দদা চথরিবা ৩শুবা য়ুনাক্কো কপ ২০২৬ ষ্টেট লেভেল মেন'স ওপন হোক্কী টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা মৈরা বাশিখোংনা সেয়ো শিংজমৈবু গোল ২–০দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফ ফাওবদা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদ্রবসু অহুমশুবা ক্বার্টরগী হৌরকপা ৩১শুবা মিনিটতা মৈরাগী জর্সি নম্বর ২১ কে এন জেনজেননা ফিল্ড গোল অমা চন্দুনা মহাক্কী টিমবু মাঙজিল থাহনখি।

মৈরানা গোল অমা মাঙজিল থাখিবদগী সেয়োগী মায়কৈদগী গোল হন্দোকপা ঙম্লবা হোৎনরক্লবসু ওলেম্পিয়ন কে চিংলেনসনানা লুচিংবা মৈরাগী দিফেন্দরশিংনা খোংফম চেৎনা লেপখিবদগী গোল ওন্থোকপা ঙমদনা অহুমশুবা ক্বার্টর লোয়শিনখি।

মরিশুবা অমসুং অরোয়বা ক্বার্টরদা সেয়োগী মায়কৈদগী শোখনা লৈরিবা গোল হন্দোক্লবা অমদি মৈরাগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল চন্নবা হোৎনরকপগা লোয়ননা টিম অনীমক্না অকনবা মওংদা লম্বা তৌদুনা শান্নখি। ক্বার্টর অসিগী লোয়রমদাই ৫৬ শুবা মিনিটতা মৈরাগী জর্সি নম্বর ৯ এন অবুংনা অহেনবা গোল অমা চন্দুনা মখা তানা মহাক্কী টিমবু ২–০দা মাঙজিল থাহনখি। লেমহৌরিবা মিনিটশিংদা সেয়োগী মায়কৈদগী গোল হন্দোকপা ঙমদবদগী মেটচ অসিদা মৈরানা সেয়োবু গোল ২–০দা মায়থিবা পীখি।

এম ব্রোন্সন অমসুং কেঐচ ধনেশ্বরনা অম্পয়র ওইদুনা কন্দক তৌখিবা মেটচ অসিদা মৈরাগী জর্সি নম্বর ৯ এন অবুং, জর্সি নম্বর ৩২ টিঐচ ইঙালেম্বা অমসুং সেয়োগী জর্সি নম্বর ১ কেএসঐচ সূমেসকান্ত অমসুং জর্সি নম্বর ৪ কেএসঐচ হেমলেট গ্রিন কার্দ বুক তৌখি।

ঙসি অহানবা গ্রাউন্দ ওইনা টি দব্লিউ সি তাওবুংখোক অমসুং কে এস ঐচ সি অনীনা শান্নগদবা মেটচ টেক্নিকেলগী খুদোংচাদবা মায়োক্লবনা মরম ওইদুনা থা অসিগী ২৬কী নুংথিল পুং ৩দা য়ৈথোকখ্রে।

নাকল অমরোমদা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা সেয়ো অমসুং ৱাই সি সি আই সি অহল্লুপ গোল ২–২ চন্নদুনা দো ওইখ্রে।

মেটচ অসিগী অহানবা ক্বার্টরগী ৭শুবা মিনিটতা ৱাই সি সি আই সিগী জর্সি নম্বর ৭ বিদ্যাচরননা ফিল্ড গোল অমা চন্দুনা গোল একাউন্ট হাংদোকখিবগা লোয়ননা অহানবা ক্বার্টর লোয়বা ফাওবা মাঙজিল থাহনখি। অনীশুবা ক্বার্টরদা ৱাই সি সি আই সিগী মায়কৈদ্দগী বোল হেন্না পায়বগা লোয়ননা সেয়োগী সার্কল মনুংদা কয়ারক হন্না চঙবা ঙল্লবসু গোল ওন্থোকপা ঙমখিদবগা লোয়ননা সেয়োগী মায়কৈদ্দগীসু শোখনা লৈরিবা গোল অদু হন্দোক্লবা অকনবা মওংদা লম্বা তৌদুনা শান্নখি। অদুবু ক্বার্টর অসিগী ২৫শুবা মিনিটতা ৱাই সি সি আই সিগী জর্সি নম্বর ১৮ হেরানা অনৌবা গোল অমা চন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবদা গোল ২–০দা মাঙজিল থাহনখি।

অহুমশুবা ক্বার্টরদা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদ্রবসু মরিশুবা অমসুং অরোয়বা ক্বার্টরদা সেয়োগী মায়কৈদগী মখোয়গী হোম সপোর্টকা লোয়ননা শোখনা লৈরিবা গোলশিং হন্দোক্লবা হোৎনরকপগী মহে ওইনা ৫৩শুবা মিনিটতা জর্সি নম্বর ৯ হেরোজিৎনা গোল অমা চন্দুনা মেটচ অসিদা অমুক হন্না হল্লকপা ঙমখি।

ক্বার্টর অমদি মেটচ অসিগী অরোয়বা মিনিট ৬০ শুবদা সেয়োগী জর্সি নম্বর ৭ রোসননা ফিল্ড গোল অমা চন্দুনা মেটচ অসিদা মায়থিরমগদবদগী কনবা ঙমদুনা ২–২দা দ্রো ওইহনখি।

ঙরাং এম পি এস সি অমসুং টি দব্লিউ সিনা শান্নখিবা মেটচকী মরক্তা নোংচিংগী ফিভমনা অকায়বা পীরকপদগী মখা তানা শান্নখিদবা মেটচকী লেমহৌরিবা শরুকশিং থা অসিগী ২৬কী অয়ুক পুং ৭ তাবা শান্নরগনি হায়রি।

# ৮শুবা থিঙুজম ওংবী ঙানবী দেবী মেমোরিয়েল ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌখ্রে, এম এম সি মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ২২ (এস এন এস)ঃ

থিঙুজম ওংবী ঙানবী দেবী মেমোরিয়েল ট্রষ্ট খোংমনগী স্পোন্সর মখাদা সোসিয়েল ৱার্করস কোংগ্রেস (এস দব্লিউ সি) খোংমননা শীন্দুনা ঙসিদগী টিম ১৪না গ্রুপ–৪ থোক্না খায়দোক্তুনা ৮শুবা থিঙুজম ওংবী ঙানবী দেবী মেমোরিয়েল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬ হৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অহৌবা নুমিৎতা শান্নখিবা গ্রুপ–এগী মেটচতা এম এম সি মোংখাম লম্বীনা য়ুম্বু ওইরিবা এস দব্লিউ সি (এ)বু গোল ৩–১দা মায়থিবা পীখ্রে।

এম এম সিনা বোল হেন্না পায়দুনা হৈশিংনা শান্নখিবা মেটচ অসিগী হৌরকপা ৫শুবা মিনিটতা এম এম সিগী জর্সি নম্বর ২৩ ক্রুসলিনা গোল অমা চন্দুনা মহাক্কী টিমবু মাঙজিল থাহনখি। এস দব্লিউ সিগী মায়কৈদগী গোল অমা শোখনা লৈরবসু এম এম সিগী মায়কৈদা গোল হন্দোক্লবা প্রেসর কয়া পীবা ঙমদনা লৈরিঙৈ চৈরক ১৫শুবা মিনিটতা এম এম সিগী জর্সি নম্বর ২০ প্রিয়োজিৎনা গোল অমা চন্দুনা ২–০দা মখা তানা মাঙজিল থাহনবা ঙমখি।

অহানবা হাল্ফ অসিগী লেমহৌরিবা মিনিটতা টিম অনীমক্না মায়কৈদগী গোল চনবা য়াবগী খুদোংচাবা ফংনরবসু গোল ওন্থোকপা ঙমদনা লৈখি। অনীশুবা হাল্ফকী ৫১শুবা মিনিটতা এম এম সিগী জর্সি নম্বর ৯ শ্রীনিভাসনা মহাক্কী টিমগী অহুমশুবা গোল চনখ্রবা মতুং ৬০শুবা মিনিটতা এস দব্লিউ সিগী জর্সি নম্বর ৪ তাজ খাননা শোখনা লৈরিবা গোলশিং অদুগী মনুংদা অমা হন্দোকপা ঙমখি। লেমহৌরিবা মেটচকী শরুকশিংদা টিম অনীমক্না অহেনবা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদবদগী মেটচ অসিদা এম এম সিনা এস দব্লিউ সিবু গোল ৩–১দা মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট একাউন্ট হাংদোকপা ঙমখি।

মেটচ অসিদা এম এম সিগী জর্সি নম্বর ১৪ মুষ্টাক মেটচকী ২২শুবা মিনিট, জর্সি নম্বর ৯ সিনিভাস মেটচকী মিনিট ৪৯শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ২১ পালিবা মেটচকী মিনিট ৬ প্লস ১ শুবদা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা এনজি অনন্দনা রেফরি, এস তোম্বীনা এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, ভাদিংথোইনা এসিষ্টেন্ট রেফরি তু অমসুং এস কেনেদিনা ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইদুনা কন্দক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি হৌদোকপগী থৌরমদা ইম্ফাল টাইমসকী ইদিটর রিঙ্কু খুমুকচমনা চীফ গেষ্ট, সি এ এফ এন্দ পি দিগী দি এস ও ওইরম্বা অমদি থোংজু এ সিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট থিঙুজম ওক্নপোর্ট অমদি ইন্টরনেসনেল হোক্কী প্লেয়র ওইরম্বা এম কুলাজিৎ মীতৈনা গেষ্ট ওফ ওন্নর অমসুং এস দব্লিউ সি খোংমনগী প্রসিদেন্ট এ বিরেন্দ্রনা প্রসিদেন্ট ওইদুনা শরুক য়াখি।

## মেদল লৌরকখ্রবা শান্নরোইশিং ওকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২২ (এস এন এস)ঃ

চহী অসিগী জনুৱারী ১৬তগী ১৮ ফাওবা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা পাঙথোকখিবা নেসনেল ক্বান কি–দো চেম্পিয়ন্সিপ্তা মণিপুরগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারুবা ক্বান কি–দো এসোসিয়েসন মণিপুরগী মেদল লৌবা ঙল্লকখ্রবা শান্নরোইশিং এসোসিয়েসন অসিনা শীন্দুনা ওকখ্রে।

এসোসিয়েসন অসিগী হেদ ওফিস ওইরিবা কোংবা নান্দেবম লৈকাইদা লৈবা মঙাল মিক্স মার্সিয়েল আর্টস এন্দ ফিটনেস ষ্টুদিওদা পাঙথোকখিবা ওকপগী থৌরম অদুদা ইন্টরনেসনেল স্পোর্টস কিক বোক্সিং এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরগী এদভাইজর ওইরিবা ডা. ঙাংবম ইনাওচানা চীফ গেষ্ট অমসুং ক্বান কি–দো এসোসিয়েসন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ডা. লোংজম মঙালসনা মীতৈনা প্রসিদেন্ট ওইদুনা শরুক য়াখি।

পাঙথোকখিবা চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা মণিপুরনা গোল্ড ৩০, সিলভর ৩ অমসুং ব্রোঞ্জ ৭ য়াওনা পুন্না মেদল ৪০ লৌবা ঙল্লকখি।

ঙসি ওকপগী থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা শক্লাইরবা মীওই কয়াসু ওক্তুনা অচম্বা খুদোলপোৎশিং পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

## থৌ পুগদবা থৌমীশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২২ (এস এন এস)ঃ থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট এমেচর বোক্সিং এসোসিয়েসন (থৌদাবা)গী ২৪শুবা চহীগী ওইবা মীয়ামগী মীফম অমা ঙসি পাঙথোকখিবগা লোয়ননা এসোসিয়েসন অসিগী চহী অহুমগী থৌ পুগদবা থৌমীশিং খনখ্রে।

ইদুকেসন ইনহান্সমেন্ট ওর্গনাইজেসন (ই ই ও) লমদিং শঙলেনদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীফম অদুদা ইং কুমজা ২০২৬তগী ২০২৯ ফাওবগী এসোসিয়েসন অসিগ প্রসিদেন্ট ওইনা থোকচোম সনাতোম্বা মৈতৈ, ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা ৱাই বসন্তা সিংহ অমদি ও চাউবা সিংহনা সেক্রেরী, এল রোমেন মৈতৈনা ত্রেজরর ওইনা অমদি থৌমী ১১সু খনখি।

মীয়ামগী মীফম অদুগী শরুক অমা ওইনা এসোসিয়েসন অসিগী মরুওইবা থৌদাং লৌরমখিবা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা শরুক য়াখিবশিংনা মিনিট ২ তুমিননা লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি।

## ঙসি ফাইনেল শান্নরগনি

ইম্ফাল, মার্চ ২২ (এস এন এস)ঃ

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা)না শীন্দুনা টিম ২৪না গ্রুপ ৩ থোক্না খায়দোক্তুনা লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা চথরিবা ১৮শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০২৫–২৬কী ফাইনেল হয়েং ইস্তর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (ই এস য়ু ) অমসুং এন এম এফ এ সলামনা শান্নরগনি।

হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী লোয়শিনবগী থৌরমদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর টিঐচ সৈত্যাব্রত্তনা চীফ গেষ্ট, অম্ফাগী এক্টিং প্রসিদেন্ট দিবি কোৱরনা প্রসিদেন্ট, লমশাং এ সিগী এম এল এল এস রাজেন, ক্ষেত্রিগাও এ সিগী এম এল এ সেখ নুরুল হাসন অমসুং ৱাঙ্খে এ সিগী এম এল এ টিঐচ অরুনকুমারনা গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইদুনা শরুক য়াগনি।

THE BEST CBSE COACHING CENTRE IN MANIPUR
ꯁꯦꯞ ꯇꯨꯇꯣꯔꯤꯑꯦꯜꯁ, ꯏꯝꯐꯥꯜ
SAPE TUTORIALS, IMPHAL
SAGOLBAND KANGABAM LEIKAI
NEAR YUMJAO LAIREMBI, LANE NO. 6
MANAGED BY WELL EXPERIENCED CBSE TEACHERS & BOARD EXAMINERS
ADMISSION OPEN
FOR
FOUNDATION COURSE FOR
CLASSES VII, VIII, IX, X & XII (SCIENCE, ARTS & COMMERCE)
Date of Class Commencement 26th March, 2026
Last date of admission 25th March, 2026
Special Features:
- Well qualified and highly experienced CBSE Teachers and CBSE Board examiners.
- Providing chapter wise study materials.
- Regular Chapter-wise test series.
- Special attention for extremely weak students (late bloomers).
- Providing remedial classes for doubt topics.
- Providing free educational counselling classes by expert psychologist.
- Always guaranteed 100% success, also achieved the same for 5 successive years.
- Extra Classes for awareness of exam techniques, time management, preparation strategies etc.
Application Forms can be had from SAPE office on every working days from 4:00 pm to 7:00 pm
For more details please contact:
7005549639 | 9863771619
Sape Tutorials Imphal
SL/B(sape)/10 (alt) 15 days







Owned and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt. Ltd. from Khwai Brahmapur, Nagamapal, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Kongpal Kongkham Leikai, Imphal East, Imphal-795005, Manipur
Editor: Dr. Khaidem Athouba, RNI Registration No. 31350/ 77 E-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com